**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 04-06-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথ্নবদা লালহৌলুপশিংগী মীওই য়াওনা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎপা ঙমখ্রে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা শওম্বুং খুনজাউ এরিয়াদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ অমগী মীওই অমা, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমগা কোন্ননা ফাখি। জিলা অসিমক্কী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ইরিলবুং এরিয়াদা লৈবা খাঙপোকশং অমদগী এ.কে. রাইফল অনি, এস.এল.আর. অমা, নাইন এম.এম. করবাইন্দ অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মরি, এ.কে. রাইফলগী মেগজিন অনি অমসুং এস.এল.আর. মেগজিন অমা ফাগৎখি।

অমরোমদা, হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই মরি ফাখি। থৌবাল জিলাগী লিলোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লিলোং দাম মনাক্কী নুঙ্গৈ এরিয়াদা মনিপুর পুলিসনা ফ্রিক্সিং অমসুং চেক্কিং চথ্নবদা মীওই অমদগী গ্রাম ১১৫ রোম লুম্বা এস.পি. টেব্লেৎ ওইগনি চিংনবা কেপসুল ষ্ট্রিপ ১৮ ফাখি। মীওই অসিদগী গাড়ি মচা অমসু ফাখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সি.এম.ওগী মেদিকেল টিম অমনা ৯ শুবা আই.আর. মাহিলা বটালিয়ন হেদক্কাটরদা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা নুপী পার্সোনেল ৪৬ কী হকচাংগী চ্যেকঅপ পাঙথোকখি।

**মাইন (এল)ঃ** ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীনা সঙ্গিত নাটক একাডমী-ন্যু দিল্লিগা খুৎশমরগা ফেষ্টিবেল ওফ পার্ফোমিং আর্টসকী মনুং চন্না থাং-তা অমদি মাই পার্ফোমেন্স ঙসি পাঙথোক্কনি।

জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি নুংথিল পুং মরি মখায়দা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াগনি।

**এনইসিঃ** নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন.ই.সি) গী ৭৩ শুবা প্লিনারি সেসন, কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা শিল্লোংদা ঙসি পাঙথোক্কনি।

মীফম অদুগা মরী লৈননা কেন্দ্রগী দিবলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্ট রিজন দোন্নর মন্ত্রালয়না হায়-মীফম অদুদা অৱাং নোংপোক লমদমগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী ৱাফম কয়া খন্নগনি। মীফমগী মনুং চন্না টুরিজম, লৌউ শিংউ, হোর্টিকলচর, য়েরুম অমসুং ঙা পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্নবা অহেনবা শেল থাদবগী ৱাফমসু খন্নগনি। মসিগী মথক্তা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা, লন্বী থোং ফাহনবা অমদি হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী পোৎথোকশিং হেন্না পুথোক্তুনা নহা কয়া মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবগী মতাংদসু খন্নগনি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, নুমিৎ নিনিগী ত্রিপুরা খোঙচৎতা ঙসি নুমিদাংৱাইরম অগরতালদা থুংলগনি।

মহাকা হেক থুংলবগা পুস্পা বন্তা পেলেস হোটেল শাননবা উরেপ উয়ুং তমগনি। তুংদা, লংকামুরাদা লৈবা বোর্ডর সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ) কী আউট পোষ্টতা চৎকনি অমসুং সেক্যুরিতিগী অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদসু শরুক য়াগনি। মীফম অদুদা রাজ্যগী অমসুং কেন্দ্রগী সেক্যুরিতি ওফিসিএলশিং য়াওগনি।

শ্রী সাহগী খোঙচৎ অদুগী য়েংলগা রাজ্য সরকারনা অৱাংবা থাক্কী

এদমিনিষ্ট্রেটিব অমসুং সেক্যুরিতি মীফম অমসু হান্ননা পাঙথোকখ্রবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-যোগ হায়বসি ঙসিদি মালেম শিনবা থুংনা খঙনরে অমদি পামবগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা পধান মন্ত্রিনা হায়-গুজরাটকী অহমেদবাদতা ঙসি পাঙথোক্কদবা অহানবা ৱাৰ্ল্ড যোগসানা স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ তা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়াগনি। মহাকা হায়-চেম্পিয়নসিপ অসিনা যোগাবু পামজবা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মীওই কয়াগী পুকিং চিংশিনবা ঙম্লগনি। হৌজিক্তি যোগা মশান্না অসি মালেম থাক্কী শান্ন খোৎনগী মেপতা য়াওহনবা ঙমলে। মসি লৈবাক অসিগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইনি। অসিগুম্বা চেম্পিয়নসিপ অমা শিন্দুনা যোগাবু মালেমদা হেন্না শক তাকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীওই কয়াবু প্রধান মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোক্লি।

**অশ্বিনিঃ** লৈবাক অসিগী ওইল মার্কেটিং কম্পানিশিংদা লুপা কোতি লিশিং ১০ গী শেনফম থাদবদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে। মসি লৈবাক মনুং অমসুং মপানদা পাইরিবা এরোপ্লেশিংগী থাউ চান্নবা মমলদা লেংদনা থম্বা ঙমনবা সরকারনা লৌখৎলকপা থৌরাংনি।

নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা এরোপ্লেনগী থাউ-এভিয়েসন তরবাইন ফ্যুইলগী মমল হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা মসিবু লেংদনা থম্বা ঙমনবা থৌরাং অমনি হায়রি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা কেন্দ্রগী হনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-থাদরিবা শেনফম অসি এরোপ্লেনগী থাউ মমল লেংদনা থমবা সরকারনা ওইল মার্কেটিং কম্পানিশিংদা থাদবা শেনফমনি। মসিনা এরোপ্লেনগী থাউগী মমল থা তরুকলোমদি লেংদনা থম্বা ঙমগনি।

নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদগী এরোপ্লেনগী থাউগী মমল হৌখিবা মে থা ফাওবদা শরুক অনি মখায় হেনগৎতুনা হান্না লুপা ৬০ পৈশা ৫০ পীরম্বা অদু লুপা ১৪২ দা হেনগৎলকখি। মন্ত্রি মন্দলগী ৱারেপ অসিনা এরোপ্লেনগী থাউগী মমল  লাক্কদৌরিবা থা তরুক ফাওবদি লেংদনা লৈহনবা ঙম্লগনি।

**এরেষ্ট ঃ** অসামদা কছার পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নিশাগী পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে।

কছার পুলিসকী সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা হায়-সিলচর পুলিসনা ফাতোক বজারদগী দ্রগ লল্লোনবা মীওই অমা ফাখি। মীওই অসিদগী হেরোইন ওইগনি চিংনবা গ্রাম ১.৭ রোম লুম্বা বাইল ৩৫ ফাখি।

কলাইন্দ পুলিস ষ্টেসনগী কাংবু অমনা দিগোরখালদগী ত্রক অমদগী হেরোইন গ্রাম ১৭০ ত্রক অমদগী ফাখি। হেরোইনশিং অদু সাপোন কেপ ১৪ দা হাপ্তুনা পুরম্বনি। ফারবা পোৎলমশিং অদু লুপা কোতি অমরোম ওইগনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এন.ই.সিগী ৭৩ শুবা প্লিনারি সেসন গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি শিল্লোংদা পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ এম.পি.এস.সিগী ইগজামিনেসন চীং অমদি তম অনিমক্তা পাঙথোক্কদবনি হায়বা এস.সি.পেনেলগী ৱাফম অমসুং এন.আর.সিগী মতাংদা সি.এস.ও. ১৪ গী ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি-সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোক ফম, পিপলস ক্রোনিকল, সনা লৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, মনিপুর মেল, হিলস

হোর্ন বিল এক্সপ্রেস পাউচেশিং অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লৈবাক অসিগী মহৈ তম্ফম শঙগী রেঙ্কিং লাউথোকখ্রে। সি.এ.য়ুনা হান্নদগী হন্থরগা ২৯ শুবদা অদুগা এম.য়ুনা ৪৩ শুবা মফমদা লৈরে হায়বা পাউ অমসুং এন.ই.সিগী ৭৩ শুবা প্লিনারি সেসন ঙসি শিল্লোংদা পাঙথোক্লগনি হায়বসিনা পোকফম পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আর.সি. তৌনি তৌরোই হায়বগী চপ চাবা পাউখুম ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী লৌনবা হোৎনগনি হায়বা সি.এস.ও. ১৪ গী ৱাফম অমদি এম.পি.এস.সিগী ইগজামিনেসন চীং অমদি তম অনিমক্তা পাঙথোক্কদবনি হায়না এস.সি. পেনেললনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এম.পি.এস.সিগী ইগজামিনেসন চীং অমদি তম অনিমক্তা পাঙথোক্কদবনি হায়বা পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

চুরচান্দপুরদগী নুপী অমা লুপা কোতি অমরোম হেনবগী দ্রগকা কোন্ননা মিজোরামদা ফারে হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিসতা থোমজিনখ্রে, দি.বি.টি. তৌবা য়াওনা দিমান্দশিং ফংহন্নবা তকরি-দাইরেক্তর হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

জিরিবামদগী পোৎ পুবা ত্রকশিং লাকখ্রে। ঙসিসু স্কোট তৌদুনা পুরক্কদবনি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে হায়বা পাউ অমদি য়ুনিয়ন মিনিস্তরনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনক্রে হায়বসিনা মনিপুর মেলগী অহানাব অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নাগা মীচম তরুক অশোয় অঙাম য়াওদনা ফংহনবীনবা হোম মিনিস্তর-অমিত সাহদা জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিল মনিপুরনা মেমোরেন্দম পীশিনখিবগী পাউ গানফিয়ু মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন-দিল্লিগী জনতর মন্তরদা ফাজিনখিবা নাগা মীচম তরুক থাদোকউ হায়দুনা প্রোটেষ্ট চথখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।